# ম্যান্মারদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৭০১ হাৎখ্রে, ৩,০০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থল্লি, ৬৫০ ফানবা ৱারেন্ট ইশ্যু তৌখ্রে

নেপিদো, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী ম্যান্মারদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা ওং সাং সু কিনা লুচিংবা ইলেক্তেদ গৱর্ণমেন্টপু নমথুখ্রবা মতুং মিলিটরি জুন্টা লাকখিবা অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। খোঙজং চঙশিনবদা য়াওবা মীয়াম অমদি মিলিটরিগা মুক্নবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৭০১ শিখ্রে, ৩১০০ মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে অদুগা ৬৫০ ফানবা ৱারেন্ট ইশ্যু তৌখ্রে হায়রি।

ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অমুক হন্না ওং সাং সু কিগী গৱর্ণমেন্ট লৈহন্নবা দিমান্দ তৌরি। দিমান্দ তৌরিবা মীয়াম্না ম্যান্মারগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লি।

মীয়ামগী ৱাকৎ অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মিলিটরিশিংনা তাবা লৈত্রি। মীয়ামগী দিমান্দ পীবগী মহুত্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওই তম্না নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকি অখং নংহল্লি। ম্যান্মার মিলিটরি অমসুং পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুন্না মীওই ৭০১ শিখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎ খক্তদা ম্যান্মারগী বাগোদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা অতম্ননা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৮৪ শিখি। নুমিৎ অদুদগী লৈবাক অদুদা মীয়ামগী খোঙজংসু অমুক্কা হেন্না কনখৎলক্লি। মিলিটরি পর্সনেলশিংনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চথুরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা ঙম্লক্তবদগী লৈবাক অদুদা লৈরিবা খুৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংনা ম্যান্মার আর্মী অমসুং পুলিসকী মথক্তা খুৎ থাবা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

লোয়ননা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ম্যান্মারগী পুলিস ষ্টেসন অমদা খুৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংনা এটেক চখুদুনা পুলিস পর্সনেল ১০ হাৎখ্রে। মখা তানসু অতোপ অতোপ্পা মফমশিংদা এটেক চখুখিগনি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখি। ঙরাং খক্তদা টমুদা হান্না লুমদুনা লৈরম্বা খুৎলাই পায়বা প্রোটেষ্টরশিংনা এটেক চখুদুনা মিলিটরি পর্সনেল খরসু হাৎখ্রে হায়রি।

মীয়াম্না অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লবসু মিলিটরি লুচিংবশিংনদি লৈবাক অদুদা চহী অমা ইমজেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়ননা চহী অনীরোম মিলিটরিগী লৈঙাক লৈখিগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম্নসু লৈবাক অদুদা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা থমদ্রিফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীয়াম অমদি মিলিটরগী মায়োক্তা মুক্নবগী থৌদোকশিংদা মিলিটরিশিংনা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক অদুবু মালেমগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ম্যান্মার মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবা হান্নগী লৈবাক অদুগী লুচিংবী ওং সাং সু কিনা মহাক্কী লোয়র উন্নহন্নবা কোর্টতা হায়জখ্রে। মিলিটরি জুন্টানা মহাক্কী মথক্তা মরাল কয়া শীরক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা মতম চানা পাউখুম পীহৌদ্রবদি মহাকপু জেলদা চহী খরা থমজিল্লবা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অদুনা মহাক্কী লোয়রগা উনবা য়াম্না মথৌ তারে হায়রি। মশাগী চহী ৭৫ রোম শুরবী নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সাং সু কিনা ম্যান্মারদা দিমোক্রেসি পুরক্নবা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাকখিবনি।



# ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱেষ্ট কোষ্টতা সাইক্লোন সেরোজানা য়ুম কয়া মাঙহন তাকহনখ্রে

সিদনি, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱেষ্ট কোষ্টতা খঙহৌদনা হৌরকখিবা সাইক্লোন অমনা মফম অদুদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীওই কয়াগী য়ুমশিং অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা ইমুং ১০,০০০ গী মথক্তা ইলেক্ত্রিক্কী খুদোংচাবা খুদক্কী ওইনা ফঙহনবা ঙমখিরোই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কেটাগোরি থ্রিগী নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মফম অদুগী য়ুমশিং খক্তা নত্তনা লম্বীদা হৌবা উ -পাম্বীশিং অমদি লম্বী নাকলদা য়ুংবা ইলেক্ত্রিক পোষ্ট কয়া তেকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৩১,৫০০ রোমদা ইলেক্ত্রিক্কী খুদোংচাবা ফংহনখিদ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সিদনিগী ৱাঙাঙলোয় মার্ক এম সী গ্বেননা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা থোকহনখিবা অমাং অতাগী চাদা ৪০ দি য়াম্না চাওনা মাঙ তাকহনখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন থোকহনখিবগী পাউদি লৈত্রি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা নোংলৈ নুংশিৎনা কা হেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রবা মফমশিংদা ইলেক্ত্রিক্কী খুদোংচাবা ফঙহন্নবা কন্না হোৎনরি। অদুবু কা হেন্না অকায় অতোই থোকখিবা মরম্না খুদক্কী ওইনা ইলেক্ত্রিক ফংহনবদা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্নগদৌরি।

ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়ান ষ্টেট ওথোরিটিনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা ময়ুম মকৈ অকায় অতোই থোকখ্রবশিংগী লৈফম ওইনবগীদমক ইভাক্যুয়েসন সেন্তরশিং হাংদোকখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়া ব্যুরো ওফ মেটিওরোলোজিনা ফোঙদোকখিবদা মখা তানা মফম অদুদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমুক হন্না থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। মরম অদুনা সমুদ্রা খোঙবান নক্না লৈবা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা মতম খরগী ওইনা লৈনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ য়ুমদগী মপান থোক্তনবসু খঙহল্লক্লি।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু অকাই অতোই থোকখ্রবা মফমশিং অদু অথুবা মতমদা শেমজিন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।



# হোস্পিটালদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১ শিরে, ১ শোক্লে

পেরিস, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

মোটোর বাইক তোংদুনা লাকখিবা মশক মমিং খঙদবা মীওই অমনা পেরিষ্ট হোস্পিটালগী মমাংদা ঙসি মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা নুপা ১ শিখ্রে অদুনা নুপী অমনা শোকহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এটেক্কর অদুনা রেদ ক্রোসনা চল্লাইবা হেনরী দুনান্ট প্রাইভেট জেরিয়াট্রিক হোস্পিটালদা লাক্লগা নোংমৈ মরু কয়া কাপখি। অপ মার্কেট ১৬ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা হোস্পিটাল অদুদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা মীওই অমা খুদক্তা শিখিবনি হায়না ফায়র সার্ভিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং শোক্লবা মীওই অনী অদু খুদক্তা পুলিস পর্সনেলশিংনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথখি। অদুবু নুপা অদু মহাক্কী অশোকপনা মরম ওইরগা শিখিবনি হায়রি।

লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা শোক্লবা নুপী অদুনা হোস্পিটাল অদুদা সেক্যুরিটি গার্দ ওইনা থবক তৌদুনা লৈবনি। হোস্পিটাল অদু হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী সেন্তর অমা ওইনা মথৌ তৌরি। হৌজিকফাওবগী ওইনদি মীওই অদুনা করি মরমগীদমক নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চথখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

পুলিসনা থৌদোক থোকফমগী অকোয়বশিং চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমখ্রে। হোস্পিটাল অদুগী অকোয়বদা ফায়র ইঞ্জিন অমা অমসুং পুলিস ভেন কয়া মথৌ তৌবা হৌখ্রে। আইফিল্ড টৱারদগী কিলোমিটর ৪ লোম চৎলগা লৈবা হোস্পিটাল অদুদা এটেক চথুরল্লিবা মীওই অদু ফাবা ঙম্নবা পুলিসনা অকনবা মওংদা থি হুম্বগী থবক চথখ্রে।

# ন্যুক্লিয়র সাইটতা অকায় অতোই থোকহনখিবদু ইজরেলননি: ইরান

দুবাই, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্লান্টদা ঙরাং অকায় অতোই খরা থোকহনখিবা অদু ইজরেলননি হায়না টেহরাননা ক্লেম তৌরকপগা লোয়ননা মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়না লৈবাক অদুগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ইরান ন্যুক্লিয়র প্লান্টকী মরু ওইনা নটান্স ন্যুক্লিয়র সাইটকী কা অমদা ইলেক্ত্রিক সারক্যুইটনা মরম ওইরগা মৈহৌ লাংপোক থৌদোক অমা থোকহনখি। থৌদোক অদু কনানা থোকহনখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখ্রে। অমদি মহাকপু ফানবগীদমক অখন্নবা চেকশিন থৌরাশিং লৌখৎপা হৌখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী য়ু এসনা হন্দোকখ্রবা মতুং ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিন্দুনা লাকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ইরান অমসুং য়ু এসকী মরক্তা উংখৎনবা থোক্তুনা লাক্লি। য়ু এসতা জো বাইদেনগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ইরান অমসুং য়ু এস অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা ন্যুক্লিয়র দিল অমুক হন্না তৌনবা খন্নরকখিবনি। থৌদোক অদু ইজরেলনদি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ঙরাং থোকখিবা মৈহৌ লাংপোক অদুনা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুদা কা হেন্না অমাং অতা থোকহনখিদে। অদুমওইনমক থৌওং অদু ন্যুক্লিয়র টেরোরিজমগী থৌওংনি হায়না ইরাননা লৌই। থৌওং অদুবু ইরাননা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওই অথুবদা ফানবা হোৎনরগনি। পনবা য়াবদি করিগুম্বা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদু মপুং ফানা অমাং অতা থোক্লম্লবদি ইরানগী মরাইবক তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরমগনি।

# মিনিপোলিসতা য়ু এস কোপনা নেগ্রো অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগীদমক মীয়াম ঈহৌ হৌরকখ্রে



মিনিপোলিস, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

য়ু এসকী মনুং চনবা মিনিপোলিসতা য়ু এস কোপনা কুচু মুবা নুপা অমা নোংমৈনা কাপ্পদগী শিখ্রিবা মতুং মশীং য়াম্লবা মীয়াম কয়ানা পুলিসকী মায়োক্তা ঈহৌ হৌরকখ্রে। মীয়ামগী ঈহৌ অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস সেল অমদি ফ্রাষ্ট বেঙশিং কাপখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদগী লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা দাউন্টে রাইটকী অপোকপী কেটি রাইটনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মহাক্কী মচানুপানা মঙোন্দা ফোন তৌরক্লমখি। মদুদা পুলিসনা মহাকপু দিটেন তৌদুনা থম্লে হায়না ফোঙদোরকখি। নাকলদা লৈবা পুলিস পর্সনেলশিংনা মহাকপু ফোন থম্নবা হায়বা ৱাহৈ তাবা ফংখি। মতুংদা পুলিস অমনা মহাক্কী মচানুপাগী ফোন অদু নমফুন্দা থমজিনখি। মদুগী মতুং পুং খরা লৈরগা মহাক্কী মচানুপাগা খঙনজবা নুপীমচা অদুনা মঙোন্দা দাউন্টে রাইট পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না খঙহল্লকখি।

ব্রুকলিন সেক্টরদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর চেন্নরম্বা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লবসু লৈখিদ্রবা মীওই অদু য়ু এস কোপশিংনা আইদেন্টিফাই তৌ হায়বা য়াখিদে। ব্রুকলিন সেন্তর পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ত্রাফিক রুল থুগাইবগীদমক পুলিস ওফিসরশিংনা দ্রাইভর অমা ফাখি।

মহাকপু ফারবা মতুং চেক তৌরুবদা করিগুম্বা হীরম খরদগী মহাকপু ফানবা ৱারেন্ট ইশ্যু তৌখ্রবা মীওই অমনি হায়বা খঙলকপদগী পুলিস কষ্টদিদা মহাকপু থম্নবা হোৎনখি। খুদক্তা মীওই অদুনা পুলিসনা হায়বা ৱা তাবগী মহুত্তা মশাগী কার তম্না অমুক হন্না চৎখি। মদুগী ওফিসর অমনা নোংমৈ কাপখি। মদুদা মতুংদা দ্রাইভর অদু নোংমৈনা পানবদগী শিখিবনি। মহাক্না থৌরকখিবা কার অদুদসু নুপী পেসেঞ্জর অমা য়াওরমখি। মহাক হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে হায়রি।

# ‘জেলদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক এলেক্সিবু নমফুদা পীজনবা হোৎনরে’



মোস্কো, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

রুসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা জেলদা থল্লিবা ক্রেম্লিন ক্রিটিক এলেক্সিনা নভালনিনা জেলদা মহাক্কী ট্রিটমেন্ট ফজনা চথবিদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা জেল ওথোরিটিগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি।

মশাগী চহী ৪৪ রোম শুরবা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবদা মহাক কিলো ৮ গী অরুম্বা হন্থখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লক্লি। চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকপদগী মশাগী ফীভম শোকচিল্লক্নবা এলেক্সিন নভালনিবু হৌজিক ফাওবগী ওইনা ডোক্টরশিংগী উন্নবগী অয়াবা পীদ্রি হায়না জেলদা লৈরিবা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিগী পার্টিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না চাও থকউ হায়বা য়াখিদবনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবা অদুনা জেল মনুংদা অকায়বা থোকহল্লক্কদ্রা হায়না চিংনবদগী জেল ওথোরিটিশিংনা মহাকপু নমফুন্দা চাক পীজনবা হোৎনরি। নুমিৎ খুদিংগী জেল ওথোরিটিশিংনা চাক চাদ্রবদি অহেনবা চৈরাক পীরকপা য়াই হায়না তোয়না কিহল্লি হায়নসু নভালনিগী পার্টিনা ফোঙদোরক্লি।

এন্তি করপসন কেম্পেনর অসি মমাং চহীগী ওগষ্ট থাদসু নার্ভ এজেন্ট নোবিচোক্না য়ুন্দ পোইজিনিং তৌদুনা হাৎনবা হোৎনরমখি মদুগী মতুং মহাক জেলগী চানা থক্নবশিং চাও হায়বা য়াখিদবনি। জেল মনুংদা মহাক্কী ট্রিটমেন্ট ফজনা চথদবনা মরম ওইরগা খ্বাং নাবা অমদি মহাক্কী খোঙ থাংবা য়ারক্তবগী প্রোব্লেম কয়া লাকপা হৌরি।

পনবা য়াবদি জেলদা হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা এলেক্সি নভালনিনা রুসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী মায়োক্তা লৈবনি। মহাক জর্ম্মনিদগী রুসিয়াদা হল্লক্নবা মতুং জনুৱারী থাগী হৌগৎলকপদা রুসিয়ন ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা জেলদা থমখিবনি।

## ফেক্টরি অমা খঙহৌদনা মৈ চাকখ্রে

সেন্ট পিটর্সবর্গ, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

রুসিয়াগী সেন্ট পিটর্সবর্গ সিটিদা লৈবা হিষ্টোরিক ওইরবা ফেক্টরি অমদা ঙসি খঙহৌদনা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়না ইর্মজেন্সি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অঙাংবা চেকশিংনা শাবা নেভসকায়া মেনুফক্তুরা বিল্ডিং অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ফেক্তরি অদু মরু ওইনা ফি রোল শাবগী থবক তৌই। হৌখিবা কুমজা ১৮৪১ দা লিংখৎলমখিবা গভর্ণমেন্ট ফেক্তরি অসি কুমজা ১৯৯২ দা প্রাইভেটাইজ তৌখিবনি। লাইবক ফৱদগী মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীশি মীনা থোকপগী পাউ লৈত্রি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক থৌদোকফমদগী মীওই ৪০ তেক্তা কায়দনা পুথোরকখ্রে হায়রি।

# বংলাদেশতা কোভিদ-১৯ গী কেস হেনগৎলকপদগী নুমিৎ ৮ নিগী ওইনা ওফিসশিং অমদি ট্রান্সপোর্ট সার্ভিস সস্পেন্দ তৌখ্রে

ধাকা, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

বংলাদেশতা কোভিদ-১৯ গী কেস মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা নুমিৎ ৭ নিগী ওইনা লোকদাউন লাউথোকখ্রবা মতুং মখা তানা নুমিৎ ৮ নিগী ওইনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ওফিসশিং য়াওনা ইন্তরনেস্নেল অমসুং দোমেষ্টিক ট্রান্সপোর্ট সার্ভিস খুদিংমক সস্পেন্দ তৌরে হায়না বংলাদেশ ওথোরিটিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মীওই মিল্লিয়ন ১৬০ রোম লৈবা লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদকী কেস ৬,৮৪,৭৫৬ থেংনখ্রে। লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৯,৭৩৯ শিহনখ্রে।হান্না লৈরম্বা কোভিদকী কেস মশীংদগী খঙহৌদনা হৌখিবা থা অমরোম অসিদা খঙহেন হেনগৎলকখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনসু অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। অমদি থা অমরোম অসিদা মী শিবগী চাংসু হান্নদগী শরুক অনী হেনগৎলক্লি।

মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট, সেমি গভর্ণমেন্ট, ওটোনোমস, ওটোনোমস এন্দ প্রাইভেট ওফিস অমসুং ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন খুদিংমক থিংজিন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখিবনি। ইন্তরনেসনেল অমসুং দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিং খক্তা নত্তনা মেরিটাইম, রেল অমসুং বস সার্ভিসশিংসু খুদক্তগী সস্পেন্দ তৌনবা খঙহনখিবনি।

চানা থক্নবা পোৎলমশিং সপ্লাই তৌবা ষ্টোরশিং নত্তনা অতোপ্পা ষ্টোরশিংদি থোঙ হাংবা য়ারোই। অদুমওইনমক কম্পনিশিংগী অপাম্বা মতুং ইন্না ফেক্তরিশিংদি চলাইবা য়াগনি হায়রি। লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা হায়রিবা অসি নত্তবা অহেনবা অফবা খোঙথাং অমা লৈতবনা মরম ওইরগা থা অসিগী ২১ ফাওবা ওফিস অমদি ত্রান্সপোর্ট সেক্তরশিং থিংজিন্নবা তঙাইফদনবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 151/SDC/NTK/2021**

Salam Birchandra Singh S/o (L) Angojao Singh of Ningthoukhong Kha.
*...Petitioner*

-Vs-

Late Salam Jugol Singh S/o (L) Heina of Ningthoukhong Kha
...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 8th April. 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong Kha গী Patta No. 580(O), 688 (N), C.S. Dag No. 1114, an area 1.69 acre গী ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ফৌরেল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ (তরেৎ)নীগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Ningthoukhong

HL-P/9609/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 153/SDC/NTK/2021**

Salam Birchandra Singh S/o (L) Angojao Singh of Ningthoukhong Kha.
*...Petitioner*

-Vs-

Late Salam Jugol Singh S/o (L) Atoheina Singh of Ningthoukhong Kha
...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 8th April. 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong Kha গী Patta No. 633(O), 687 (N), C.S. Dag No. 2464, an area 0.11 acre গী ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ (তরেৎ)নীগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Ningthoukhong

HL-P/9609/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG**

**Ref :- Mut. Case No. 152/SDC/NTK/2021**

Salam Birchandra Singh S/o (L) Angojao Singh of Ningthoukhong Kha.
*...Petitioner*

-Vs-

Late Salam Jugol Singh S/o (L) Heiton Singh of Ningthoukhong Kha
...Opponent

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Ningthoukhong, the 8th April. 2021

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 44 - Ningthoukhong Kha গী Patta No. 312(O), 673 (N), C.S. Dag No. 2463, an area 0.16 acre গী ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা, মশু, মমৌ (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ (তরেৎ)নীগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Ningthoukhong

HL-P/9609/13

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mut. Case No. 181 of 2021**

1. Heirangkhongjam Arunkumar Singh S/o (L) H. Ibohal Singh of Keinou Thongthak Mongkhang Leikai.
2. Takhelchangbam Inakhunbi Devi D/o (L) Yaima Singh of -do-
-Applicants

-Vs-

1. Khaidem (N) Ibeni Devi D/o (L) Jila Singh of Keinou Thongthak Mongkhang Leikai. 2. (L) Heirangkhongjam Ibohal Singh S/o (L) Modhu Singh of -do- -O.P. Pattadars

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Oinam, the 12th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুন নং ৩২- কৈনৌগী পাট্টা নং ১৫৫৭ (অনৌবা), দাগ নং ৫৭৪/৪৩৪৬, এরিয়া একর ০.০৫ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মখোয়গী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুং লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

*Sd/- S. Budhichandra Singh*
**Sub-Deputy Collector, Oinam**

HL-P/9607/13

# চাইনাগী কোভিদ-১৯ হৌরকফমদা অমুক হন্না চেকশিন্না রিসার্চ তৌবগী মথৌ তারি: এন্থোনি ব্লিনকন

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১২ (এজেন্সী) :

চাইনাগী ৱুহান সিটিগী ফিস মার্কেট অমদগী কোরোনা ভাইরস শন্দোরকপা হৌরকখিবনি হায়না মালেমদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক্না খঙলবসু মফমদুগী ওইবা অকুপ্পা ৱারোলশিং চাইনানা মালেমগী লৈবাকশিংদা খঙহন্দবদগী কোভিদ-১৯ না কা হেন্না মীয়ামদা অৱা চৈথেং পীহনখিবনি হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্থোনি ব্লিনকন্না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না অমুক হন্না হৌরকপদগী থিগৎপা মথৌ তারি। নোভেল কোরোনা ভাইরসকী হৌরকফম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবদি ভাইরস মখল অসিবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নগনি। মরম অদুনা চাইনানা ভাইরস মখল অসিগী হৌরকফম লৈবাক মীয়ামদা চপ চানা খঙহনগদবনি হায়রি।

চাইনানা ইন্তরনেস্নেল এক্সপার্টশিংদা ভাইরস মখল অসিগী ইনফোর্মেসন সিয়র তৌরক্তবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা ময়া মায়োক্নহল্লি। চাইনানা পুকচেল শেংনা থবক তৌরম্লবদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি ওইরমদবসু য়াই। চাইনানা চেকশিনবা ৱাৎপদগী ভাইরস অসি চাইনাগী ৱাংমা লাম্থোরক্তুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শন্দোরকখিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম গেব্রেয়েসসনা ফোঙদোকখিবদা মমাং থাগী ৩০ দা দব্লিউ এচ ওগী থিজিল্লোয়শিংনা চাইনাদা চত্তুনা পেন্দমিক অসিগী ওরিজিনেলশিং থিজিনবা হৌখ্রে। মখা তানা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনবা মথৌ তারি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ভাইরস অসি মতৌ করম্না হৌরকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা ফংবা ঙমদ্রি। ভাইরস মখল অসি কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা মালেমগী অখং অহৈশিংগী হোৎনরিবশিং অসিদা চাইনিজ সাইন্টিষ্টশিংনা পুকচেল শেংনা মতেং পাংবা মথৌ তারি। চাইনাগী লৌফম থোকপা থৌদাং মশানা খঙনা লৌরক্ত্রবদি ভাইরস মখল অসি কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখিগনি হায়রি।

